# সুদিসকুমার অমসুং মরসিনা চহি ১৫ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথ্বরকপা অনীশুবা য়োনেক্স সনরাইজ ষ্টেট লেভেল মিনি এন্দ সব–জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ঙসি দিএম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমবিএ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই সুদিস কুমার অমসুং টিঐচ মরসিনা চহি ১৫ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



য়োনেক্স সনরাইজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিশিংদা ৱিন্নর ওইখ্রবা শান্নরোইশিং

চহি ১৫ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ঙসি নুমিদাংৱাইরম শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সুদিসকুমারনা এ মঙালবু পোইন্ট ২১–১০, ১৭–২১, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী নুপীমচাগী ফাইনেল মেটচতা টিঐচ মরসিনা এন শগোরিকাবু পোইন্ট ২১–১৫, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীখি।

এম সুসান্ত, দেভব্রতা অমসুং টি ঐচ মেটিকনা নুপামচাগী চহি ৯, ১১ অমসুং ১৫ মখাগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

চহি ৯ মখাগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সুসান্তনা আই মরটিনবু পোইন্ট ২১–১৪, ২১–৮ তা মায়থিবা পীখি।

অদুগা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা চহি ১১ অমসুং ১৩ মখাগী ফাইনেল মেটচশিংদা দেবব্রতনা কিয়োভিয়াবু পোইন্ট ২৪–২২, ২১–১১ দা অদুগা টি ঐচ মেটিকনা এন অবিনাসবু পোইন্ট ২২–২০, ১৮–২১, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

কোন্সম গুণজননা চহি ১১ অমসুং ১৩ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী তোঙান তোঙানবা কাং লুপ্তা দেবব্রতা অমসুং এভিরিস, ঐচ সোহেনকুমার অমসুং কেঐচ অমরজিৎ, এ কে বোনি অমসুং কে রবিশঙ্কর অদুগা দিজাঙ্গো এ কে অমসুং টিঐচ তোম্বগী পিয়রশিংনা নুপামচা অন্দর–১৩, অন্দর–১৫, মেন্স অন্দর–৪০ অমসুং মেন্স ওপন দবলসকী ৱিন্নরশিং ওইবা ঙমখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস মণিপুর এলএম খৌতেনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, এনইআরসি মণিপুরগী ডাইরেক্টর ফ্রান্সিস মারৱিননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুরনা মেডল ১০২ লৌদুনা থাং–তা ফেদরেসন কপগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

থাং–তা ফেদরেসন ওফ ইনিদয়ানা শীন্দুনা চান্দিগরগী সেক্টর –১০ দা লৈবা স্কেটিং রিঙ্ক, স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট চান্দিগর এদমিনিষ্ট্রেসনদা চথ্বরকপা ৭শুবা থাং–তা ফেদরেসন কপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা হুয়েল লাংলোন থাং–তা এসোসিয়েসন মণিপুরনা গোল্ড মেডল ৭৯, সিলভর ২২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ১০২ ফঙদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



অদুগা জম্মু এন্দ কস্মির থাং–তা এসোসিয়েসননা গোল্ড মেডল ২৩, সিলভর ৩৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ১৪ পুন্না মেডল ৭২ ফঙদুনা টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৫দগী লাকপা থাং–তাগী নুপা ২৯৯ অমসুং নুপী ২৫১ পুন্না শান্নরোই ৫৫০ অমসুং ওফিসিয়েল ৬৮ না শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি ষ্টেট অসিদগী ওইনা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোই ১২০, কলচরেল পার্ফোমর ১০ অমসুং ওফিসিয়েল ৬না শরুক য়াখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ওল মহারাষ্ট্র থাং–তা এসোসিয়েসনগী সলমাল দয়ানেশ্বর গুরপ অমসুং দিল্লি থাং–তা এসোসিয়েসনগী মুহিদ শর্ম্মা অনীনা সব–জুনিয়র নুপীমচা অমসুং নুপামচাগী বেষ্ট ফাইটরগী মনাশিং ফঙবা ঙমখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী শান্নরোই– কেঐচ নেত্রজিৎ, দেনিস ঙাঙোম, এ এম মানি, এ লকি, এল সোমোরজিৎ অমসুং দব্লিউ দুহেসনা সেনিয়র নুপাগী ফুনবা অমা ইভেন্টতা গোল্ড মেডলশিং লৌখি।

অদুগা ঐচ সদানন্দ, হুইদ্রোম ঙাছোইবা, কে লেম্বা, এন বিদ্যানন্দ, এম হেনস্ম, এ বন্টি অমসুং পি বাবিনা সেনিয়র নুপাগী ফুনবা অনীশুবদা গোল্ড মেডল লৌখি।

এসঐচ সনাতোম্বী, টি ঐচ নন্দরানি, এল রিনাবাই, এ মায়া, এন তোম্বী অমসুং চাওবা থোকচোমনা সেনিয়র ৱুমেনগী ফুনবা অমদা গোল্ড মেডলশিং ফঙবা ঙমখি।

অদুগা ফুনবা অনীগী ইভেন্টতনা এ অঞ্জনা, পি চাওবা অমসুং এন ইনদুবালানা গোল্ড মেডলশিং লৌখি।

# দেবজিৎ অমসুং তুলকিনা মিটর ১০ পিপ সাইদ এয়র রাইফলতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

মীজোরামগী কোনুং আইজোলদা চথ্বরিবা ৬শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা মিটর ১০ গী ০.১১৭ পিপ সাইদ ইয়র রাইফলস নুপা অমসুং নুপীগী ইভেন্টতা ষ্টেট অসিগী গুরুমায়ুম দেবজিৎ শর্ম্মা অমসুং শমুরাইরকপম তুলকি দেবী অনীনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

দেবজিৎনা সেরিজ ৪ কাপ্পদা পুন্না পোইন্ট ৩৮১ ফঙদুনা অহানবা মনা ফঙবা ঙমখিবনি। অদুগা ষ্টেট অসিগী সুট্টর নোংমাইথেম জুবারাজনা পুন্না পোইন্ট ৩৭৫ কাপ্পুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপী কাংলুপ্তা তুলকিনা পুন্না পোইন্ট ৩৮৯ কাপ্পুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি অদুগা ষ্টেট অসিগী সুট্টর ষ্টেসি লৈতানথেমনা তুলকিদগী পোইন্ট ২ হন্থনা কাপ্পুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা ষ্টেট অসিগী সুট্টর অহুম কোংব্রাইলাৎপম অসিস শর্ম্মা, কুনিসন তোনাম্বম অমসুং অজে সিংহ হুইদ্রোমনা ২৫ মিটর সেন্টর ফাইয়র পিষ্টল (আইএসএসএফ), ২৫ মিটর ষ্টেন্দর্দ পিষ্টল (এন আর) ফোর জুনিয়র এন্দ এমক্কুএস না গোল্ড মেডলশিং লৌবা ঙমখি।




# এল নেতানা সেনিয়র মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা নাওরেমথোং শমুশঙদা লৈবা ব্রিনলেন্দ কম্মুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৫শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র কেতেগোরিগী টাইটল য়ুজিএম নাওরেমথোংগী এল নেতা সিংহ না লৌখ্রে।



সেনিয়র মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী টাইটল লৌখ্রবা এল নেতা

কেতেগোরি অসিদা কেএফসি শিংজমৈগী সোইবম রোবার্ট সিংহ না অনীশুবা অমসুং সঙাই জিম খাগেম্পালিগী মুতুম অমর সিংহ না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

য়ুজিএম নাওরেমথোংগী এমদি সহাবাস সহানা জুনিয়র মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী টাইটল লৌখ্রে। অদুগা ইন্দ্র য়াইস্না জিম খুম্বোংগী সোরাইশম প্রিয়াঙ্কর সিংহ না অনীশুবা অমসুং সলাই বোদি স্কল্পচরগী ঙাংবম সুনন্দ সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

মাষ্টর কেতেগোরিগী ওইনা সঙাই জিমগী মুতুম অমরনা অহানবা অমসুং পামখল জিমগী টি ঐচ রামেশ্বরনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা সেকমাই এমএলএ হৈখাম দিঙ্গো সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন অমসুং বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন ওফ ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট সাপম জয়চন্দ্র সিংহ না থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# আইটিটিএফনা ক্ষেত্রিময়ুম মহেন্দ্র খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী অম্পয়র অমসুং রেফরি কম্মিটিনা নোর্থ ইষ্ট ইনিদয়াগী ইহান–হানবা ব্লু বেদজ অম্পয়র ওইরিবা ৱাঙ্খে থম্বালখোংদগী ক্ষেত্রিময়ুম মহেন্দ্র সিংহ জেক রিপব্লিক্কী সিটি ওলোমোক্তা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আইটিটিএফ ৱার্ল্ড টুর চেক ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনবগীদমক খল্লক্লে।



মহেন্দ্র নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ইহান–হানবা ব্লু বেদজ অম্পয়র ওইবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়ারুরে।

মমাং চহি ২০১৭ দা চাইনাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান টেবল টেন্নিসতসু ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াখ্রে।

জেক ওপনদা ওফিসিয়েট তৌনবগীদমক ইন্দিয়াগী অতুর শাথিসিসু ওফিসিয়েট তৌনবগীদমক খল্লকখিবনি।

অতোপ্পা খল্লক্লবা ওফিসিয়েলশিং অদুদি– ইংলেন্দগী মেকিজোন, পোলেন্দগী লেজরকি রফাল, জোর্দানগী অলমাশ্রী অহমদ, কোরিয়াগী পার্ক জোং য়িওপ, মালেসিয়াগী খালিলি মারানদি পারি, পোলেন্দগী মিলিস্কি মেসি, রসিয়াগী এলোনসেফ ব্লাদিস্লাভ অমসুং পোনোমারেপ ভেলেনটিন, কানাদাদগী বিজেন্ট টেনিস, নোরৱেদগী রৈতে কার্ল বোর, স্লোবেনিয়াগী মেজেক গ্রেগর, জেক রিপব্লিক্তগী জোনাসোবা তেরেজা, কাপকা পাবেল অমসুং ব্রাবেক জান নি।

# প্রটিক ধহালবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চান্না লৈরিবা লৈমখোঙ বজার ওথোরিটিনা হন্দক্তা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইনিদপেদেন্স কপ কারাটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ১ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ১ ফঙলখিবা প্রটিক ধহালবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

প্রটিক ধহাল (চহি ৭) লৈমখোঙ বজারদা লৈবা টিকেন ধহালগী মচানুপানি। মহাক্না পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কাতা ইভেন্টতা গোল্ড মেডল অমসুং কেজি ২০গী কুমাতা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ১ লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি প্রটিক ধহাল ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপা করাটি চেম্পিয়ন্সিপ অমদি নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদা মেডল লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোই অমনি।

মখাতানা লৈমখোঙ বজার ওথোরিটিনা মহাকপু মতুং তারকপদা হেন্ন–হেন্না ফবা শান্নরোই অমা ওইরসনু হায়না ফোঙদোক্লখি।


# বোডি বিল্ডিং এন্দ মেন্স ফিটনেস কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ঃ

ওল মণিপুর জিম্নাসিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা চহি খুদিংগী পেত্রিওট দেগা মরী লৈননা লেপ্তনা পাঙথোকপগুম হন্দক চহিগী ওইনসু নিংথৌকাবা নুমিৎ নাওরেমথোং শমুশঙদা লৈবা ব্রিনলেন্দ কম্মুনিটি হোলদা মরিশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেভেল বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিন্সিপ অসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা শান্নরোইশিংনা অথোই–অহেন তান্নগনি।

থৌরম অদুদা পিদব্লিউদি মণিপুরগী চিফ ইনজিনিয়র এন দোরেন সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর জিম্নাজিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস থম্বাল শর্ম্মনা থৌরম মপু অমসুং সাই বোক্সিংগী কোচ দোনাচার্য এৱার্দি এল ইবোমচা সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com